# পি এম মোদিনা নেশনল গেমস হৌদোকখ্রে



**দেহরাদুন, জন্যুৱারী ২৮(এজেন্সী):**
উত্তরখন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা মথং থাগী ১৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৮-লক শুবা নেশনল গেমস ঙসি লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা নুংঙাই-নুংঙাইরবা কুম্মৈ কয়াগা লোয়ননা হৌদোকখ্রে।

উত্তরখন্দগী দেহরাদুনদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নেশনল গেমসকী ৩৮-লক শুবা ইদিশন হৌদোক্লে হায়না ওফিসল ওইনা লাউথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়, লৈবাক অসিনা হৌজিক তোঙানবা-তোঙানবা স্পোর্টসকী টুর্নামেন্ট কয়া লেপ্পা লৈতনা পাঙথোক্লি। মসিগী মথক্তা খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমসতা লৈবাক অসিগী হৌগৎলক্লিবা চহী নৌরিবা শান্নরোয় কয়াদা মখোয়গী করিয়র শেম্লবগী খুদোংচাবসু পীরি। বি জে পিগী লৈরিবা এম পিশিংনা স্পোর্টসপু মতম পূম্বদা য়োকখৎনবা হোৎনদুনা লাক্লি। হান্নগা য়েংনরুবদা হৌখিবা চহী খরা অসিদা লৈবাক অসিদা নেশনল থাক্তা টুর্নামেন্ট টশিং মশীং য়াম্না শীনবা ঙমখিবগা লোয়ননা মালেমগী থাক্তসু লৈবাক অসিগী শান্নরোয়শিংনা মিংচৎ কয়া পুরকপা ঙমখি হায়না ফোঙদোকখি।

# পি সী সী অমসুং পি টি আর সী মায় পাকখ্রে




**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮(ঐচ এন এস):**
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)না শীন্দুনা চখরিবা অনীরকশুবা এম এন সী এ ৱিমেন্স অন্দর-১৫ ৱান দে ট্রোফি ২০২৪-২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা পি সী সী ময়াইকোইবীনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাও অদুগা পি টি আর সী পাৎসোইনা এম পি এ থৌনাওজম মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি অয়ূক অঙনবদগী হৌরগা পি সী সী গ্রাউন্দ ময়াইকোইবীদা ফোর্স অমসুং পি সী সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস ফোর্সনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। অহানবা ইন্নিংসতা ফোর্সনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেন অয়াম্বনা মায়োক্লরিবা টিমগী বোলরশিংনা চখরকখিবা এটেকশিং মপূং ফানা মায়োক য়াদুনা শান্নবা ঙমখিদে। ইন্নিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন সুমৈয়া শাহনিনা বোল ১৮-দা রন ১০, রাহমটুননা বোল ২১দা রন ২৩ অদুগা ফর্জিয়ানা বোল ২৭তা রন ১৬ লৌরমখিবা অদু নৎতনা লেমহৌরিবা বেটসমেন অমত্তনা দিজিট অনী শুনা রনশিং লৌবা ঙমখিদবদগী ওভর ২৪.২ শুরকপদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১২২ লৌবা ঙমখি।

পি সী সীনা টার্গেট রন ১২৩ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা বেটসমেন অয়াম্বনা মায়োক্লরিবা টিমগী বোলরশিংগী এটেক হৈন-শিংনা মায়োক য়াদুনা শান্নবা ঙমখিবদগী ওভর ১৭.২ শুরকপদা ৱিকেট ৩ খক তুরগা টার্গেট রন ১২৩ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু পি সী সীনা ৱিকেট ৭তা মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা, থাও গ্রাউন্দ থাংমৈবন্দদা পি টি আর সী অমসুং এম পি এগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা পি টি আর সীনা ৱিকেট ৫দা মায় পাকখ্রে। মেটচ অসিগী ওইনা এম পি এনা ওভর ৩০দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ৮৫ লৌবা ঙমখি অদুগা পি টি আর সীনা ওভর ২০দা ৱিকেট ৫ তুরগা টার্গেট রন হেন্দোক্তুনা পূন্না রন ৮৮ লৌবা ঙমখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1377**

**CM Marcel Winkels (1991) - WCM Veronika Shubenkova (1762)**
**Titled Tuesday 16th Nov chess.com INT (1), 2021.11.16**

1.e4 e6 2.d4 d5 3.e5 c5 4.c3 Nc6 5.Nf3 Qb6
6.Bd3 Bd7 7.dxc5 Bxc5 8.O-O a5 9.Qe2 Nge7 10.Nbd2 Ng6
11.Nb3 Be7 12.Nbd4 O-O 13.g3 a4 14.h4 Bc5 15.h5 Nge7
16.Be3 a3 17.b4 Bxd4 18.Nxd4 Nxe5 19.Bc2 Nc4 20.Qd3 f5
21. ...

**QUESTION :** White to win

**Puzzle 1376 Solution :**

**27. …Rxe1+** The black rook deflects White's queen away from protecting the 2nd rank. The black rook captures White's rook, which was defending the square c1, the square d1 and the square e2. Opening the line from c2 to g2. **28. Qxe1 Rxc2** The black rook deflects White's knight away from protecting the square f5 and the square e2. The black rook captures White's pawn, which was defending White's pawn. Opening the line from c5 to g1. **29.Nxc2**

29.Qe8+ Kh7 30.Nxc2 Qxc2 31.Qe4+ f5 The black pawn attacks White's queen, which is defending the square e2 and White's pawn. 32.Qxb7 Qg2#Damiano's bishop mate

**29. ...Qxc2** The black queen captures White's knight, which was defending the square b4. **30. Qe8+**

30.Qf1 Bxf1

**30. ...Kh7 31. Qe4+**

31.Qg8+ Kxg8 31.Qxb5 Qg2#

**31...Kh6**

31...f5The black pawn attacks White's queen, which is defending the square e2 and White's pawn. 32.Qxb7

32.Qxf5+ Bxf5
32.Qe2 Qxe2
32...Qg2#Damiano's bishop mate
31...Kg8 32.Qe8+
31...Kh8 32.Qe8+
32.Qh7+ Kxh7
32.Rh4 Qg2#
32...Kh7 33.Qe4+

**32. Qxb7**

32.Rf6+ gxf6
32.Qe2 Qxe2
32.Qc6+ bxc6
32.Rxf7 Qg2#

**32. ...Qg2#** Damiano's bishop mate
**0-1**


EMPLOYMENT NEWS /
VEHICLES LOAN + EXCHANGE AVAILABLE

# H.Q (Khagempalli) office কী ওইনা Office Asst 2, Gr-IV = 2 nos.
# Samurou Branch কী ওইনা Office Asst. (Graduate + upto 30 yrs), 2/W Mechanic 2, Car Wash Helper 2, Mechanic Helper 2, Car Driver 2 and Chicken Centre Helper 2.
# 2/3/4 Wheeler Loan অমসুং Used Vehicles Exchange গী Offer পীজরি।

Please Contact : L.G. Motor
Khagempalli, Imphal
# 9362775475

HL-B/9265/12/1-9/3(alt)




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com